# অরুনাচল প্রদেশকী বাই-ইলেক্সন্দা বি জে পিনা সিট ২মক কোংগ্রেসতগী মুনখ্রে

ইটানগর, দিসেম্বর ২৪ (এজেন্সী):

অরুনাচল প্রদেশকী পকে-কেসাং অমসুং লিকাবলি এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীদা পাঙথোকখিবা বাই-ইলেক্সন্দা বি জে পিনা কোংগ্রেসতগী সিট অনীমক মুনবা ঙমখ্রে।

মেম্বর ৬০ লৈবা ষ্টেট এসেমব্লিদা হৌজিক বি জে পিগী এম এল এ ৪৯, পিপলস পার্টি ওফ অরুনাচল (পি পি এ)গী অমা, কোংগ্রেসকী অমা অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ অমা লৈরে।

পকে-কেসেং এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীদা বি জে পিগী মীরেপ বি আর ৱাঘেনা শুপ্নগী ভোট ৪৭৫ হেন্দুনা হান্নগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর কমেং দোলোবু মায়থিবা পীখি। ৱাঘেনা ভোট ৩,৫১৭ ফংখিবদা কোংগ্রেসকী দোলোনা ভোট ৩,০৪২ ফংখি হায়না জোইন্ট চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসার দি জে ভত্তচার্জিনা ফোঙদোকখি।

লিকাবলি এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীদা বি জে পিগী কার্দো নিগিয়োরনা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্কবা লম্বা ওইখিবা পি পি এগী গুমকে রিবাদগী ভোট ৩০৫ হেন্দুনা মায় পাকখি। বি জে পিগী মীরেপ্না ভোট ৩,৪৬১ ফংখিবদা পি পি এগী মীরেপ্না ভোট ৩,১৫৬ ফংখি। কোংগ্রেসকী মীরেপ মোদাম দিনিদি শুপ্নগী ভোট ৩৬২ খক ফংবা ঙমখি। ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ সেঙ্গো পাইপোদিয়াসু ভোট ৬৭৫দগী হেন্না ফংবা ঙমখিদে। কন্সটিট্যুয়েন্সী অসিদা ভোটর ২৩না নন ওফ দি অবভ (নোটা)দা ভোট পীখি।

দিসেম্বর ২১দা পাঙথোকখিবা বাই-ইলেক্সন্দা পকে-কেসাংগী ওইনা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৮৬ অমসুং লিকাবলিগীনা চাদা ৫১ ওইখি। হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৪দা মতমদুগী ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্টর জোমদে কেনা লৈখিদবদগী তঙাইফদনা লিকাবলি এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীদা মরক্কী মীখল পাঙথোক্কখিবনি।

কুমজা ২০১৪গী মার্চ ১৪দা দোলোবু পকে-কেসাং কন্সটিট্যুয়েন্সীদগী মায় পাকখিবগী থৌওং অদু চৎনবা য়ারোই হায়না গৌহাতি হায় কোর্টনা ৱায়েল পীরকপদগী কন্সটিট্যুয়েন্সী অসিদসু মরক্কী মীখল পাঙথোকখিবনি।

মরক্কী মীখলদা বি জে পিগী মীরেপ অনীমক মায় পাল্লকপদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম কিরেন রিজিজুনা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সবাং এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীদা পাঙথোকখিবা মরক্কী মীখলদা তৃণমুল কোংগ্রেসনা মায় পাকখ্রে। তৃণমুলগী মীরেপ গীতা রানি ভুনিয়ানা ভোট ১,০৬,১৭৯ ফংখিবদা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্কবা লম্বা রিতা মোন্দল (সী পি আই এম)না শুপ্নগী ভোট ৪১,৯৮৭ ফংখি।

ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী মীরেপ অন্তরা ভত্তচারিয়ানা ভোট ৩৭,৪৭৬ ফংদুনা অহুমশুবা তাখি। অদুবু কুমজা ২০১৬তা পাঙথোকখিবা এসেমব্লি ইলেক্সনগা য়েংনবদা পার্টি অসিনা ফংবা ভোট মশীং হেনগৎলকখি। মমাঙগী মীখলদা বি জে পিনা শুপ্নগী ভোট ৫,০০০ খক ফংবা ঙমখিবনি।

মমাঙগী এসেমব্লি মীখলদা মায় পাকখিবা কোংগ্রেসকী মীরেপ চিরঞ্জিব ভৌমিকনা শুপ্নগী ভোট ১৮,০৬০ ফংদুনা মরিশুবা তাখি। কোংগ্রেসকী সিটিং এম এল এ মনশ ভুনিয়ানা তৃণমুলদা য়াওখিবদগী ফম থাদোকখিবা মরম্না এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী অসিগী সিট হাংখিবনি।

তৃণমুলদা য়াওখ্রবা মনশ ভুনিয়া রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইখ্রে। মায় পাল্লবা গীতা রানি ভুনিয়াগী লোয়নবীনি।

চেন্নাইগী আর কে নগরদা পাঙথোকখিবা বাই-ইলেক্সনদনা টি টি ভী দিনাকরননা মায় পাকপা ঙমখ্রে। হান্নগী চীফ মিনিষ্টর জে জয়াললিতাগী কন্সটিট্যুয়েন্সীদা দিনাকরননা মায় পাকখিবা মরম্না লৈঙাক পায়রিবা এ আই এ দি এম কেদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরে। মরক্কী মীখল অসিদা ঈ মধুসুদননবু এ আই এ দি এম কেগী মীরেপ ওইনা থাগৎলকখিবনি।



# জয়রাম থাকুরনা হিমাচল প্রদেশকী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইরগনি



শিল্লা, দিসেম্বর ২৪ (এজেন্সী):

টার্ম মঙারক থংনা থংননা এম এল এ ওইরক্লবা জয়রাম থাকুরবু হিমাচল প্রদেশকী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা খনখ্রে।

শিল্লাদা ঙসি পাঙথোকখিবা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) এম এল এশিংগী মীফম অমনা জয়রাম থাকুরবু লেজিসলেচর পার্টিগী লূচিংবা খন্নবা ৱারেপ লৌখিবনি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর নির্মালা সিতারমন অমসুং নরেন্দ্র সিংহ তোমারনা সেন্ট্রেল ওবজার্ভর ওইনা মীফম অদুদা শরুক য়াখি।

নরেন্দ্র সিংহ তোমারনা হায়খি, জয়রাম থাকুরনা হিমাচল প্রদেশতা বি জে পি লেজিসলেচর পার্টিগী লূচিংবা ওইরগনি। থাকুরগী মমিং হান্নগী চীফ মিনিষ্টর প্রেম কুমার ধুমালনা পুখৎলকপা মতমদা পার্টিগী মেম্বর খূদিংমক্না অয়াবা পীখি।

নিংথৌকাবা নুমিৎ নৎত্রগা দিসেম্বর ২৭তা জয়রাম থাকুরবু হিমাচল প্রদেশকী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরবা য়াই হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

এম এল এশিংগী মীফম লোইরবা মতুংদা থাকুরনা ষ্টেট অসিদা বি জে পিবু লৈঙাক পায়হনবগীদমক মীয়ামগী মফমদা তৌবিমল খঙবা উৎখি।

মহাক্না হায়খি, সেন্টরগী লূচিংবশিং, প্রেম কুমার ধুমাল, জে পি নদা, শান্ত কুমার অমদি ষ্টেটকী মীয়াম্বু থাগৎপা ফোঙদোক্লি। হীরম খূদিংমত্তা ষ্টেট অসি খুমাঙ চাউশিনহন্নবা অঙন্বা থাক্তা হোৎনগনি।

চীফ মিনিষ্টরগী ফম পায়নবগীদমক থাকুরনা জে পি নদাগা অকনবা লম্বা পানখিবনি। দিসেম্বর ২১ অমসুং ২২দা মীওই অনীনা শাবা সেন্ট্রেল ওবজার্ভরগী টিম অমা থুংলখিবগা লোয়ননা মীখলদা মায় পাল্লবা বি জে পিগী এম এল এ খূদিংমক্না অমমমতা ওইনা ৱারী শানখ্রবনি।

অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা খল্লবা থাকুরনা সেরাজ এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীদা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্কবা লম্বা ওইখিবা কোংগ্রেসকী চেট রামবু মায়থিবা পীখি। মমাঙগী লৈঙাক্ত মহাক কেবীনেট মিনিষ্টর অমা ওইরমই। কুমজা ১৯৯৮দা অহানবা ওইনা এসেমব্লি ইলেক্সন্দা মায় পাকখিবা মীওই অসি রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ মিনিষ্টর ওইরমই।

হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ধুমালনা হন্দকসু ফম অসি শোয়দনা পায়রবা য়াই হায়না থাজনখিবনি। অদুবু হন্দক পাঙথোকখিবা এসেমব্লি ইলেক্সন্দা মহাক মায়থিবা ফংখি।

হন্দক্তা পাঙথোকখিবা হিমাচল প্রদেশকী এসেমব্লি ইলেক্সন্দা বি জে পিনা অপুনবা সিট ৬৮গী মনুংদা ৪৪ ফংদুনা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, বি জে পিগী এম এল এশিং লূচিংবা খনখ্রবা বিজয় রুপানিবু দিসেম্বর ২৬তা গুজরাটকী চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরগনি হায়না লাউথোকখ্রবনি।

নুমিৎ অদুদা গান্ধীনগর সচিবলায়া গ্রাউন্দদা গভর্নর ওম প্রকাশ কোহলিনা বিজয় রুপানিবু চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরগনি। মমাঙগী গভর্ণমেন্টতা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইখিবা নিতিন পতেলনা হন্দকসু ফম অসি অদুমক পায়রগনি।

রাজকোট ৱেষ্ট এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীদগী মায় পাল্লকখিবা রুপানিবু ইরাই নুমিত্তা পার্টিগী লেজিলেটরশিংনা লূচিংবা ওইনা খনখিবনি। অহানবদা স্মৃতি ইরানি অমসুং মনসুখ মন্দাবিয়াবু চীফ মিনিষ্টর ওইনা খল্লকপা য়াই হায়না থাজনখিবনি।

বি জে পিনা থংনা থংননা গুজরাটতা লৈঙাক পায়বা হন্দক্না তরুক্লকশুবা ওইরগনি। মীখলদা বি জে পিনা সিট মশীংকা হেন্না য়াম্না ফংবা ঙমখিদবা মরম্না রুপানিবু অমুক হন্না চীফ মিনিষ্টর ওইহল্লক্তবা য়াই হায়না থাজনখি।

# ইন্দিয়া, চাইনানা ঙমখৈগী মতাংদা য়ানবা পুরকখ্রে



ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৪ (এজেন্সী):

ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী সিনিয়র ওফিসলশিংনা ঙমখৈগী ৱাথোক লোইশিলহন্দুনা ঈং-তপ্পা ফীভম লৈহন্নবগী মতাংদা য়ানবা পুরকখ্রে।

চাইনাগী ষ্টেট কাউন্সীলর য়াং জি চিনা ইন্দিয়াগী নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর অজিৎ দোবালগী উন্দুনা ঙমখৈদা থোকখিবা ৱাথোক, ইন্টরনেসনল অমসুং রিজনেলগী ওইবা ৱাফম কয়া কুপ্না খন্নখি হায়রি।

জিনহুৱাগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, লূচিংবা অনীনা ২০লকশুবা ওইনা ৱারী শানখিবদা ঙমখৈগী ৱাথোক অমুক হন্না থোকহন্দনবগী মতাংদা য়ানবা পুরকখিবনি। নাকল অনীমক্তা অকায়বা পীরক্কদবা লৈবনা য়েৎনরিবা ঙমখৈগী ৱাথোক লোইশিলহন্দুনা য়ুল্লোন্নবা লৈবাক অনীগী মরী ফগৎহন্নবা লূচিংবা অনীনা য়ানবা পুরকখিবনি।

অজিৎ দোবালগা ২০লকশুবা ওইনা ঙমখৈগী মতাংদা ৱারী শানবগীদমক ন্যু দিল্লিদা থুংলখিবা জি চিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগসু উনখি। দোক্লামদা য়ুল্লোন্নবা লৈবাক অনীগী লান্মীশিংনা নুমিৎ ৭৩নি মুক্কবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা লূচিংবা অনী উনখিবনি। নবেম্বর ১৮দা অহানবা ওইনা লৈবাক অনীগী লূচিংবশিং উনদুনা দোক্লামগী মতাংদা ৱারী শানখিবনি।

য়ুল্লোন্নবা চাইনানা ইন্দিয়াগী তৌবা ঙন্বা মতিক ময়াই পুম্নমক ময়েক শেংনা খঙলকপদগী নাকল অনীনা হীরম খূদিংমক্তা য়ানবা পুরকপা ঙমখিবনি হায়না মমাঙদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ফোঙদোকখিবনি।

মমাঙঙৈগা মান্নদবা মওংদা ইন্দিয়াগী মতিক ময়াই হেনগৎলক্লে। চাইনানা থৌওং অসি ময়েক শেংনা খঙলকপদগী য়ুল্লোন্নবা লৈবাক অনীনা দোক্লামগী মতাংদা য়ানবা পুরকপা ঙমখিবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

নুমিৎ ৭৩ ঙমখৈদা মুক্কদুনা লাকখিবা থৌওং অমা ইন্দিয়া অমসুং চাইনানা মপুং ফানা লোইশিলহনবা ঙল্লে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

সিক্কিম-ভুটান-টিবেটকী লোন্নবা মফম অমদা চাইনানা লম্বী শেম্বগী থৌরাং লৌখৎলকপদগী য়ুল্লোন্নবা লৈবাক অনী শাংলবা নুমিৎ ৭৩ মুক্কদুনা লাকখিবনি। জুন থাগী ময়াই চল্লকপদগী নাকল অনী মুক্কদুনা লাকখ্রবা মতুংদা ওগষ্ট থা লোইশিল্লমদাইদা নাকল অনীমক্না লান্মী লৌথোক্কখিবদগী ৱাথোক লোইশিনখিবনি।

লাইন ওফ একচুয়েল কন্ট্রোল (এল এ সী) মনাক্তা লৈবা কিলোমিটর ৩,৪৮৮ শাংবা মফম অমগী মতাংদা ইন্দিয়া অমসুং চাইনা য়েৎনদুনা লাকখিবনি। চাইনানা অরুনাচল প্রদেশপু খা থংবা টিবেটকী শরুক অমনি হায়না ক্লেম তৌরি। অমরোমদা, চাইনাগী অক্সাই চিন এরিয়াবু ইন্দিয়াগী লমনি হায়না ক্লেম তৌরি। দিফেন্স মিনিষ্টর নির্মালা সিতারমননা অরুনাচল প্রদেশকা চৎখিবগী থৌওংবু চাইনানা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনি।

# কুলভুষণ যাদবপু ঙসি অপোকপী মমাগা উনহল্লগনি



ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৪ (এজেন্সী):

পাকিষ্টান্দা শিবগী চৈরাক পীনবা ৱায়েল পীখ্রবা কম্মান্দর কুলভুষণ যাদবপু দিসেম্বর ২৫দা অপোকপী মমা অমসুং লোয়নবীগা উনবা য়াহনগদৌরি।

পাকিষ্টানগী মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফেয়র্সকী স্পোক্সপার্সন ডা. মহমদ ফাইসালনা হায়খি, ইস্লামবাদতা লৈবা ইন্দিয়াগী দেপ্যুটি হায় কম্মিস্নারগা লোয়ননা যাদবগী অপোকপী অমসুং লোয়নবীনা জেলদা লাক্তুনা যাদবকা উনরগনি। যাদবগী অপোকপী অমসুং লোয়নবী কম্মর্সল ফ্লাইট অমা তোংদুনা পাকিষ্টান্দা থুংলরগা নুমিৎ অদুমক্তদা অমুক হনখিগনি হায়না ফোরেন ওফিসনা ফোঙদোকখি। মখোয় অনীনা মিনিট ১৫দগীনা পুং ১ ফাওবা যাদবকা ৱারী শানরবা য়াই হায়রি।

মমাঙ চয়োলদা পাকিষ্টাননা যাদবকী লোয়নবী অমসুং অপোকপীবু ইস্লামবাদতা লাকপা য়ানবগীদমক ভিজা পীবা লৈখ্রবনি।

হৌখিবা এপ্রিল থাদা টেররিজম অমসুং লোন্না পাউ লৌরম্বগী মরালদা পাকিষ্টানগী মিলিটরি কোর্ট অমনা যাদবপু শিবগী চৈরাক পীনবা ৱায়েল পীখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়ানা ইন্টরনেসনল কোর্ট ওফ জষ্টিস (আই সী জে)দা ৱাকৎখি। পাকিষ্টান্না যাদবপু মমাঙ চহীগী মার্চ থাদা বেলোচিষ্টান প্রোভিন্সতগী ফাবনি হায়না ক্লেম তৌখি। অমরোমদা ইন্দিয়ানদি থবক্তগী পোত্থারবা যাদবপু ইরানদগী ফাখিবনি হায়না ক্লেম তৌখি।

ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানগী ফিল্ড জেনরেল কোর্ট মার্সলগী মায়োক্তা আপিল তৌখ্রবা মতুংদা হেগতা বেজ তৌবা আই সী জেনা যাদব শিবগী চৈরাক পীদনবা খঙহল্লকখিবনি। আই সী জেদা ফাইল তৌখিবা আপিল পিটিসন্দা ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানবু ভীয়েনা কনভেন্সন ঙাক্লা চৎত্রে হায়না মরাল শীবা লৈখ্রবনি।

ইন্দিয়ান নেভিদগী পোত্থারবা যাদবনা লল্লোন-ইতিক্কী থবক থৌরমগা মরী লৈননা ইরানদা লৈরিঙৈদা পাকিষ্টানি ইন্টলিজেন্স এজেন্সীনা মহাকপু ফাখিবনি হায়নসু ইন্দিয়ানা ফোঙদোকখি। ইস্লামবাদতা ইন্দিয়ান হায় কম্মিস্নার ওইনা লৈরিবা গৌতম বম্বাৱালেনা পাকিষ্টানগী ফোরেন সেক্রেটরি তেহমিনা জামজুৱা উনদুনা কুলভুষণ যাদবকী মথক্তা শিবগী চৈরাক পীনবা ৱায়েল পীখিবগী থৌওং অদু হন্দোকপীনবা হায়জবা লৈখ্রে।

পাকিষ্টানি আর্মি এক্টকী সেক্সন ১৩৩ (বি)গী মখাদা আপিল পিটিসন অদু ফাইল তৌখিবনি। পাকিষ্টানগী ফোরেন সেক্রেটরিগা উনখিবদা বম্বাৱালেনা কুলভুষণ যাদবতা কন্স্যুলর এসেস পীবিনবা ৱাফম অমুক্কা হন্না তকশিনখি।

কুলভুষণ যাদবপু মিলিটরি কোর্ট অমনা শিবগী চৈরাক পীনবা খঙহনখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানগী দেপ্যুটি হায় কম্মিস্নার কৌদুনা যাদব থাদোকহন্নবা ৱাফম অমুক্কা হন্না পুখৎপসু লৈখ্রে।

এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্ট্রি (এম ঈ এ)না পাকিষ্টানগী দেপ্যুটি হায় কম্মিস্নার সয়দ হাইদর শাহ কৌরগা যাদব মরাল লৈতে অমসুং মহাক্কী মথক্তা শীরিবা মরাল পুম্নমক য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

# জম্মুদা পাকিষ্টানগী লান্মী হাৎখ্রে

ঝঙ্গার, দিসেম্বর ২৪ (এজেন্সী):

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী ঝঙ্গার সেক্টরদা ইন্দিয়ন আর্মিনা পাকিষ্টানগী লান্মী অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, ঙমখৈ মনাক নক্না চঙলকখিবা পাকিষ্টানি আর্মিনা নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়ন আর্মিনা খুৎ হন্দুনা নোংমৈ কাপ্পদা পাকিষ্টানগী লান্মী অদু শিখিবনি। ঙরাংসু কেরি সেক্টরদা পাকিষ্টান্না সিজ ফায়র থুগাইদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা ইন্দিয়ন আর্মিগী ওফিসার অমা অমসুং জৱান অহুম শিখিবনি।

রাজোরি দিষ্ট্রিক্ট মনাক্তা ইন্দিয়াগী লান্মী মরি হাৎখ্রবা মতুংদা ঙসিসু পাকিষ্টান্না পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্টকী লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) মনাক্তা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিল্লকখি।

পুলিস ওফিসল অমনা হায়খি, ঙমখৈ ঙাক্লিবা ইন্দিয়াগী লান্মীশিং অদু খুৎ হন্দুনা নাকল অনী ঙাইহাক অমুক নোংমৈ কাপ্নখি। চহী অসিগী মনুংদা পাকিষ্টান্না জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা সিজ ফায়র থুগাইদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক ৮১১ থোকখিবদা পুন্না মীওই ৩৪ শিখ্রে হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি। কুমজা ২০০৩গী নবেম্বরদা য়ুল্লোন্নবা লৈবাক অনীনা ইন্টরনেসনল বোর্দর, লাইন ওফ কন্ট্রোল অমসুং একচুয়েল গ্রাউন্দ পোজিসন লাইন্দা খুৎ থোক্কদবা হায়না য়ানখিবনি।

## খঙহঞ্জবা

কেন্দ্র বিদ্যালয়া লোক্তাক প্রোজেক্টতা লৈবা স্কুলগী বি পি এল/এ এ ৱাই গার্জিয়ানশিংগী ওইবা ওর্গনাইজেসন অমা শেমদুনা অথুবা মতমদা দেপ্যুটি রেজিষ্ট্রার ওফ সোসাইটিজ, বিষ্ণুপুরদা রেজিষ্ট্রেসন তৌজগনি। মেম্বর ওইবীনিংবশিং অমদি য়েৎপীনিংবশিংনা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা লাকপীনবা খঙহঞ্জরি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই।

*খঙহঞ্জরিবাঃ কেন্দ্র বিদ্যালয়া লোক্তাক প্রোজেক্ট পেরেন্ট কম্মিটি (কোম-কৈরাপ)*

HL-P/276/25

Between 9:30 am to 3:00 pm | Contact us at: 9612194500

## 1st STATE LEVEL
## HSLC PREPARATORY EXAM 2017-18
## FOR CLASS X (CBSE & BOSEM)
*ORGANISED BY : EDUCITY*

Sagolband Tera Tongbram Leikai Near Oriental College, Imphal - 795004

1. All the position will be awarded separately for CBSE&BOSEM
   1st Position - ₹15,000 + Certificate
   2nd Position - ₹12,000 + Certificate
   3rd Position - ₹ 9,000 + Certificate
   4th to 20th Position - ₹ 1,000 + Certificate
2. Subject Toppers (4 Subject Separately)
   ₹ 1000 each + Certificate (CBSE 4 + BOSEM 4)

| MARKS | F.M. | P.M. |
|---|---|---|
| Math | 40 | 20 |
| English | 20 | 10 |
| Science | 20 | 10 |
| S.Science | 20 | 10 |

Submission Fee ₹400/-
Last Date of Submission : 15th Jan. 2018
Class X (CBSE & BOSEM)
Subjects : Math, Eng, Sc, S.Sc.
Date of Exam: 21st Jan. 2018 (Sunday)
Timing : 9:00 to 11:00 a.m. (CBSE)
12:00 am to 2:00 pm (BOSEM)

*Form Available at :* 1. L.K. Book Store (Lamlong Bazar) 2. Romee Book Store (Moirang Bzr.) 3. I.K. Book Store (Bishnupur Bzr.) 4. Bina Agency (Ningthoukhong Bzr.) 5. Leima Book Store (Nambol Bzr.) 6. Siroy Paper Marth (Kwakeithel Bzr.) 7. Siroy Paper Mart (Singjamei Bzr.) 8. Universal Book Store (Lilong Bzr.) 9. Shilla Books Stationery (Thoubal Bzr.) 10. Sharma Book Store (Yairipok Bzr.) 11. K.B. Stationery (Wangjing Bzr.) 12. K.G. & Sons (Kakching Bzr.) 13. Baby Book Store (Mayang Imphal) 14. Taurus Stationery (RIMS Gate) 15. Leirik Book Store (Khumbong Bzr.) 16. Compact Service (Khuyathong Bzr.)

WE PROVIDE SHORT STAY HOME FOR FAR AWAY STUDENTS WHO WANTS TO PARTICIPATE IN THE COMPETITION

HL-P/3068/17Dec-17Jan.

## / WANTED

Educated unemployed youths to work in a reputed Company. Having Sales/Marketing experience will be an added advantage.

HL-P/4835/22,25,29 ☎: 9862564642 / 7005354684

## ꯌꯨꯝ ꯆꯤꯡꯖꯔꯤ/ য়ুম চিংজরি

কনাগুম্বগী য়ুম চিংবা, থাংগৎপা, মমায় লৈথোক-লৈশিন তৌবা অমদি মফম অমদগী অমদা অশোয় অঙাম অমত্তা য়াওদনা অনৌবা খুৎলায়গী মতেংনা য়াম্না লাইনা য়াগনি। অথুবা মতমদা পাউ ফাওবীরকউ।

Sd/- **Moirangthem Shilheiba (Bony) Singh**
☎ 7423823082 / 9615988119
HL-P/4833/22&25Dec.

No:IMC/P/SBM-SS/2018
## OFFICE OF THE IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION
## NOTICE

Imphal, the 23rd December, 2017

This is to notify to the general public that a **Ward-Level Cleanliness Competition** of the Leikais/Mohallas in all the 27 Wards under Imphal Municipal Corporation shall be conducted during last week of December 2017. Interested Leikais may apply for taking part in the competition through a forwarding letter from the respective councillors. Assessors will visit the competing Leikais in each ward and without interacting with anyone observe/assess the cleanliness of the area based on a set of criteria. The assessors will click geo-tagged photographs to support their observation. The result of the competition shall be published in the newspaper on or before 31st December 2017.

Sd/- **Th. Harikumar Singh**
*Municipal Commissioner*
Imphal Municipal Corporation
HL-P/4853/25

No:IMC/P/SBM-SS/2018
## OFFICE OF THE IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION
## NOTICE

Imphal, the 23rd December, 2017

This is to notify to the general public that a **Cleanliness Competition** for **Hotels, Hospitals** and **Market Associations** located in the area jurisdiction of Imphal Municipal Corporation shall be conducted during last week of December 2017. Assessors will visit various hotels, hospitals, and market associations to observe/assess the cleanliness of the area based on a set of criteria. The assessors will click geo-tagged photographs to support their observation. The result of the competition shall be published in the newspaper on or before 31st December 2017.

Sd/- **Th. Harikumar Singh**
*Municipal Commissioner*
Imphal Municipal Corporation
HL-P/4853/25

## ATTENTION ATTENTION

করিগুম্বা অদোমগী পুন্সিদা অহোংবা অমা পুরক্লিংলবা অমদি অহোংবা অমা পাল্লবা, অদু ওইরগদি ক্লাস আইটতগী গ্রেজুয়েট ফাওবগী মনুংদা লৈরিবশিংনা মখাগী অসিদা কন্টেক তৌবীয়ু।

**People who THINK that you can change life through work and sincerity, then contact at :**

**HR Partners Pvt. Ltd.**
Service Provider
Sega Road Thouda Bhabok Leikai
*(Next to Food Basket)*
**Contact Nos.: ☎ 7630073072 / 8257982047**
**Email: hrpartners4rs@gmail.com**
HL-P/4842/23-25Dec.

No:IMC/P/SBM-SS/2018
## OFFICE OF THE IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION
## NOTICE

Imphal, the 21st December, 2017

This is to notify to the general public that all fuel/petrol pumps located in the area jurisdiction of Imphal Municipal Corporation are mandated to provide access to functional and clean public toilets. The public can avail the toilet facilities in these petrol pumps. The petrol pump operators have been notified by IMC vide its letter No: IMC/P/SBM-SS/2018 dated 20th December 2017 to ensure the toilet facility for the public.

Sd/- **Th. Harikumar Singh**
*Municipal Commissioner*
Imphal Municipal Corporation
HL-P/4853/25

No:IMC/P/SBM-SS/2018
## OFFICE OF THE IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION
## NOTICE

Imphal, the 20th December, 2017

This is to notify to the general public that all the 27 wards of Imphal Municipal Corporation are declared Open Defecation Free (ODF). This is in compliance with the Resolution No. 7 of the Special Meeting of the House held on 20/12/2017 (Wednesday). Any objections to the above declaration may be informed to the Office of the Imphal Municipal Corporation within 15 days of this Notification.

Sd/- **Th. Harikumar Singh**
*Municipal Commissioner*
Imphal Municipal Corporation
HL-P/4853/25

## DRAW RESULT
**YAIBILEN LUCKY DRAW**

*Draw Date* : 24/12/2017
*Venue* : Community Hall of Rising Star Youth Club, Kwakeithel Heinoukhongnembi Leikai (Tiddim Ground)

| Ticket No.: | Winning Prize |
|---|---|
| A-0852 | 1st Prize |
| B-0152 | 2nd Prize |
| B-2630 | 3rd Prize |
| A-1657 | 4th Prize |
| D-0129 | 5th Prize |

Sd/- **Nepram Nungkangba**
*Chairman,* Organising Committee
Yaibilen Lucky Draw
HL-P/278/25

## OFFICE OF THE NAMBOL MUNICIPAL COUNCIL, NAMBOL
## NOTIFICATION

Nambol, the 12th December, 2017

**No.34/2/2017-NMC:** It is hereby notified for general information that Nambol Municipal Council declared Open Defecation Free (ODF) to the areas of its Ward No. 1 to 18. This is in compliance with the Resolution No. 3 (three) of the Nambol Municipal Council meeting held on 11/12/2017. Any objections to the above declaration may be submitted/lodged to the undersigned within 15 days from the date of this notification.

Sd/- **M. Nando Singh**
*Executive Officer*
Nambol Municipal Council
HL-P/279/25